**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) আইন্না য়াদবা মওংদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ পায়রগা মণিপুরদা চংলক্লন্বা বঙ্গলাদেশ মচা ২৯ ফারে। অরানবা মওংদা আই.এল.পি পাস পীরম্বদা চেন্নবা ওফিসিয়েল অমা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

২) মণিপুর সরকারনা হৌখিবা চহি ৭ অসিদা জিলা ১২ গী লম একর লিশিং ১৯,১৩৫ রোমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

৩) সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতসু মণিপুরগী ৱাফম য়াওনা অতৈ মরুওইবা ৱাফমশিং খন্ননবা বিরোধিনা দাবী তৌরকপদগী চরাংনবা থোক্তুনা মীফম য়ৈথোকখি।

৪) লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সংসদকী মীফম নিংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা খন্নখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডা.মন্সুক মন্দাবিয়ানা হায়রি- ইং কুমজা ২০১৪দা ভারত্তা মেদিকেল কোলেজ ৩৮৭ খক লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি মেদিকেল কোলেজ ৭৮০ লৈরে।

------

সিএম (এল)ঃ আইন্না য়াদবা মওংদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ পায়রগা মণিপুরদা চংলক্লম্বা বঙ্গলাদেশ মচা ২৯ ফারে। অরানবা মওংদা আই.এল.পি পাস পীরম্বদা চেন্নবা ওফিসিয়েল অমা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথেম্বম বিরেন্না হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফালগী মফম অমদা হাংবা অচাপোৎ শাফম অমদা বঙ্গলাদেশ মচানি চিংনবা মীওই খরা থবক তৌদুনা লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা মমাং থাগী ৩০ দা ফংখি। পুলিসনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চখুবদা মীওই ২৯ লোম অরানবা আই.এল.পি পায়রম্বা থেংনখি। আইন্না য়াদবা মওংদা আই.এল.পি পীরম্বদা চেন্নবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- মশিং য়ামদবা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক রাজ্য অসিদা আই.এল.পি চৎনবনি। মসিদা অরানবা তৌদুনা আই.এল.পি পীরম্বদা চেন্নবশিং মখা তানা অকনবা থবক লৌখৎকনি। অসিগুম্বা অরানবশিং তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপদা অমদি মীতোপ চংলকপা থিংবদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

পোপি (এল)ঃ মণিপুর সরকারনা ইং ২০১৭ তগী ২০২৪ ফাওবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা ১২ গী লম একর লিশিং ১৯,১৩৫ রোমদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন্স সেন্তরগী রিপোর্ট অমনা হায়- ইং ২০১৭ তগী হৌজিক ফাওবদা কাংপোকপী জিলাগী লম একর লিশিং ৪,৪৫৪ রোমদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখি। উখ্রুল জিলাগী লম একর লিশিং ৩,৩৪৮, চুরাচান্দপুর জিলাগী লম একর লিশিং ২,৭১৩, তেংনৌপল জিলাগী লম একর লিশিং ২,৫৭৫, কামজোং জিলাগী লম একর লিশিং ১,১১৮ দা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখি হায়রি।

নোনে জিলাগী লম একর ১২, অদুগা তমেংলোংগী লম একর ৭৭ তা থারম্বা পোপি পান্বীশিংসু য়ান্থৎতুনা মাংহনখি। হৌখিবা চহি ৭ লোম অসিদা পোপি পান্বী খ্বাইদগী য়ামা য়ান্থৎখিবা চহি অসি ২০২০-২১ ওইরি। হায়রিবা

চহি অসিদা লম একর লিশিং ৪,৬৫২ দা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়াম্থৎখি। অদুগা ২০২৩-২০২৪ চহি অসিদদি লম একর ৪৭১ খক্তমক য়াম্থৎপা ঙমখি। অদুমকপু হায়রিবা চহি অসিদা পোপি থাবগী চাংদি অতৈ চহিশিংগী য়েংনরুবদা চাদা ৩২ দা হন্থখি।

বিশ্বজিৎ (এল)ঃ রাজ্যগী পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা হান্না অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চাওখৎলক্লি অমসুং অহোংবা কয়া পুরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়- লুপা কোতি ৮০০ গী চাউরবা শেনফম থাদদুনা মণিপুর য়াওনা লমদম অসিগী রাজ্য ৮ বু শিংথানিঙাই ওইবা তুরিষ্ট হব ওইনা শেমগৎকদৌরি।

নম্বোল (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা লাইতোনজম খুলদা পি.এম.জে.এ.ৱাই কার্দ ইনরোলমেন্ট ঙসিসু মখা চথরি। মীওই ৩০০ মুক্তা কার্দ পীনবা পান্দম থম্বদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৭০ এনরোল তৌরে হায়রি।

মীতিং (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ভিলেজ চীফশিং য়াওবা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙসি কোটলেন্দদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা কুকি লুপশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মফম অদুদা শান্তি থম্বা, নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা পেত্রোল্লিয়ম প্রদক্টশিং পুরিবা গাড়িশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবনচিংবগী মতাংদা খন্নখি।

এআর (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গং অতাং খুল্লেনদা ঙসি তমেংলোং বত্তাল্লিয়ন অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই ৪৫ লায়েংখি অমসুং লেমা হিদাক পীখি।

থৌবাল (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু আই.আর.দি.এস.ও ৱাংজিংনা শিন্দুনা এক্তিভিজম এগেনষ্ট জেন্দর বেজ ভাওলেন্সকী কেম্পেন ঙসি থৌবালদা পাঙথোকখ্রে। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা ওর্গনাইজেসন অসিগী থৌমীশিংনা থৌবাল জিলাগী মরুওইবা কৈথেলশিংদা চত্ত্না নুপী অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা মীওৎ মীনৈ লেপ্পু, মখোয়বু অকি তুজংবা য়াওদনা হিংহল্লু হায়বা খোল্লাউশিং লাউদুনা মীয়ামদা পাউজেল পীখি। কেম্পেন অসি থা অসিগী ১০ ফাওবা চথগনি।

আইএমদি (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী চহি ১৫০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা নেসনেল মেতিরোলোজিকেল ওলিমপিয়াদ অমা থা অসি ১৪ দগী মথং চহিগী জনুৱারি ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ওলিমপিয়াদ অসিদা ক্লাস আইট, নাইন অমসুং এলেভেন তন্লিবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ৱেব সাইট-ঐচ.টি.টি.পি.এস কোলোন দবল স্লাস মোসম দোট আই.এম.দি দোট গোভ ইনদা রেজিষ্ট্রেসন তৌরকপা য়াগনি।

এনদিএ (এল)ঃ নেসনেল দিফেন্স একাদমি পুনেগী ১৪৭ শুবা কোর্সকী ওইনা খুরাই লমলোংদগী জোধা থোংজাউময়ুমদা লেমজনিঙাই ওইরবা প্রসিদেন্টস ব্রোঞ্জ মেদল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

মহাকপু ঙসি রাষ্ট্রিয়া ইন্দিয়া মিলিটরি কলেজ পেরেন্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা তরামা ওকপগী থৌরম অমা ক্বাকৈথেল লমদোংদা পাঙথোকখ্রে।

দেদ (এল)ঃ সাহিত্য একাডমীক এৱার্দি অমসুং মনিপুর ষ্টেট এৱার্ড ফোর লিটরেচর ফংখ্রবা শকাইরবা ৱারীমচা ইবা-মাইবম নবাকিশ্বর সিংহনা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতসু চরাংনবা থোকপদগী ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি। লোক সভাগী মীফম হেক হৌবগা অধক্ষানা ৱাহং পাউখূমগী থৌরম লৌখৎনবা হোৎনরকপদা বিরোধিনা

মণিপুরগী আইন অমসুং শান্তি রাক্ষাগী ফীভম খন্ননবা দাবী, মমিং লৈরবা লল্লোন ইতিক্কী কাংবু অমগী শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক অমসুং সম্ভলগী হিংশা মতাংদা খন্ননবা দাবী তৌরকপদগী চরাংনবা থোক্তুনা ধক্ষনা নুমিৎ য়ুংবা ফাওবা মীফম য়েথোকখিবনি। তুংদা নুংথিলগী ফন্বা হৌরকপদসু বিরোধি দলশিং- কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্তি, দি.এম.কেগী সদস্যশিংনা খোল্লাউ লাউদুনা সভাগী ৱেল তমা চংশিল্লকখি।

কেন্দ্রগী সিপ্পিং মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা লোক সভাদা চরাংনবা মরক্তা দ কোষ্টেল সিপ্পিং বিল ২০২৪ পুথোকখি।

সিভিল এভিএসন রাজ্য মন্ত্রি মুরলিধর মুহোল্ডনা হায়রি- ভারত অসি মালেমগী এভিএসনগী কৈথেলদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইরে অমসুং মালেমগী ওইনা দোমেষ্টিক এভিএসনগী কৈথেলদনা খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা লৈবাক ওইরে। মন্ত্রিনা ঙসি রাজ্য সভাদা অইবা ওইনা পীবা পাউখুম অমদা মন্ত্রিনা হায়- সিভিল এভিএসন সেক্তর হেন্না চাওখৎহন্নবা সরকারনা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

লৈবাক অসিদা উরান স্কিমগী মখাদা হান্না শিজিন্নরমদবা অমসুং তোইনা শিজিন্নদবা এয়ারপোর্ট ৮৬ শমহনদুনা হৌজিক ফাওবদা অনৌবা রুট ৬০৯ শিজিন্নবা হৌরে। রাজ্য সভাদা ঙসি অইবা ওইনা পীবা পাউখুম অমদা সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রামা মোহন নাইদুনা হায়- মসিগী মনুংদা হেলিপোর্ট ১৩ অমসুং ৱাটর দ্রোম অনি য়াওরি।

গীরি রাজ ঃ সংসদকী মীফম চথবদা অকায়বা থোকহনবগীদমক কেন্দ্রগী মন্ত্রি গিরি রাজ সিংহনা ঙসি বিরোধিবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। সংসদকী মপানদা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা মহাকা কংগ্রেস অমসুং অতৈ বিরোধি দলশিংবু গনতন্ত্রদা থাজবা থমদ্রে হায়না মরাল শিখি। মহাকা হায়- সংসদকী মীফমদা অপনবা থোকহনবা হায়বসি মীয়ামগী শেল মাংহনবনি।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা মনিস তিৱারিনা হায়রি- তোঙান তোঙানবা ৱাফমদা বিরোধিনা পুখৎলকপা এদজোর্নমেন্ট মোসনশিং সরকারনা লৌফম থোকই। কেন্দ্রনা অতমনা সংসদতা খন্ন-নৈনবা য়াহনদ্রে হায়না মহাকা মরাল

শিখি।

বিরলা ঃ  সংসদকী হৌজিক চথুরিবা নীংথম মীফম অসিদা ঙাইহাক লৈতনা চরাংনবা থোক্লিবা অসি থোকহন্দনবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শ্রী বিরলানা সংসদকী মীফম নিংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা হোৎনবদা সদস্যশিংনা মতেং পাংবীনবা হায়জখি। রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংনসু মীফম নিংথিনা চথুবা য়ানবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি। মীফম অদুদা কংগ্রেস, ত্রিনামুল কংগ্রেস, পি.দি.পি, দি.এম.কে, এন.সি.পি, জে.দি.য়ু, শিব সেনা (য়ু.বি.টি)নচিংবা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

হেলথ ঃ  কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডা.মন্সুক মন্দাবিয়ানা হায়রি-নরেন্দ্র মোদি সরকারনা অনা লায়েংগী শেক্তর অসি শেল ইচং চংহন্দবা অমসুং মীয়ামা লায়না খূদোংচাবা ফংবা ঙম্বা শেক্তর অমা ওইহনবা ঙম্লে।

নিউ দেল্লিদা ঙসি অয়ুক পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা ডা.মন্দাবিয়ানা হায়-ইং কুমজা ২০১৪দা ভারত্তা মেদিকেল কোলেজ ৩৮৭ খক লৈরম্বা অদু চহী ১০গী মনুংদা মেদিকেল কোলেজ ৭৮০ শুহনবা ঙম্লে। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি জন আরোগ্যা য়োজনা (পি.এম.জে.এ.ৱাই) অসি ঙসিদি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মেদিকেল স্কিম ওইরে।

মুরমুঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং মালেমগী হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবশিংগী নুমিত্তা নেসনেল এৱার্দস ফোর ইম্পৱরমেন্ট ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ য়েন্থোক্লগনি। পুন্না মীওই ২২ অমসুং ইন্সটিট্যুসন ১১ দা মনা অসি পীগনি। থৌরম অদুদা সোসিএল জস্তিস অমসুং ইম্পৱরমেন্টকী মন্ত্রি ডা.বিরেন্দ্র কুমারনা হকচাংগী ফীভম মীমান্দ্রবশিংদা শক্তী পীনবা মখোয়গী য়াইফ থৌরাং কয়া মরু হৌদোক্কনি।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়-সর্ভশ্রেস্থ দিবিয়াংজন ২০২৪ কেতেগোরিদা অমর জেননা নেসনেল এৱার্দ ফোর ইন্দিভিজ্যএল একশলেন্স ফংলনি। মহাক চাদা ১০০ মিৎ শুকউ উদ্রবা উকিলনি।

গোয়ল ঃ কেন্দ্রগী লল্লোন ঈতিক মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- তুংগী পুন্সিদা শিংনরকপশিং থেংনবা ঙমবা নহাশিংবু নিংথিনা মহৈ তম্বীগদবনি অমসুং স্কিল লৈহনগদবনি। নিউ দিল্লিদা সি.আই.আই পার্টনরসিপ সম্মিৎ ২০২৪ দা ঙসি ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা ভারতপু খোঙজেল য়াংনা থবক তৌবা, থোং মান্নবা, শেমদোক শেমজিন য়াবা অমসুং অচেৎপা ফিরেপ লৈবা লৈবাক অমা ওইনা চাউথোকা লেপ্লি হায়খি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাগী আগরতালাদা লৈবা বঙ্গলাদেশ এসিষ্টেন্ট হাই কম্মিসনগী ওফিস ঙসি অমাং অতা থোকহল্লম্বগী থৌওং অদুবু ভারতনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। চেরোল অমদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- অসিগুম্বা মফম অসি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ফিভম অমত্তদা অমাং অতা থোকহল্লোইদবনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- নিউ দিল্লিদা লৈরিবা বঙ্গলাদেশ হাই কম্মিসনগী ওফিস য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা দিপ্ল্যুতি অমসুং এসিষ্টেন্ট হাই কম্মিসনগী ওফিসশিং নিংথিনা ঙাক শেন্নবা অহেনবা সেক্যুরিতি থমদুনা অকনবা থবক লৌখৎকনি।

বংলাদেশঃ বংলাদেশনা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ইস্কোনগী মেম্বর ৮৩ ভেলিদ পাস্পোর্ট অমসুং ভিজা পায়রবসু বেনাপোল চেকপোষ্ট লান্দুনা ভারত রোমদা চংবা য়াহনখিদ্রে। বেনাপোল ইম্মিগ্রেসন ওফিসকী ওফিসর ইন চার্জ ইন্‌টয়াজ অসানুল কাদর ভুইয়াননা হায়-বংলাদেশকী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী ইস্কোন মেম্বরশিং অসি ধর্মগা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিং য়াওরুনবা বেনাপোল ইম্মিগ্রেসন লান্দুনা ভারত্তা চৎনবা লাকপনি অদুবু মখোয় পুমমক হলহনখ্রে। মহাকা হায়-মখোয়গী পাস্পোর্ট অমদি ভিজাশিং ভেলিদ ওইরবসু লম চৎনবা সরকারগী অয়াবদি য়াওদে।

ড্রগ ঃ অসাম পুলিসনা ঙসি কছার জিলাগী সিলচরদা মীওই অমদগী লুপা কোতি ৩৬ রোমগী মমল ওইগদবা য়াবা টেব্লেৎ লাখ ১ লিশিং ২০ লোম ফারে হায়রি। য়াম্লবা ড্রগশিং অসি অককবা পাউ অমা ফংবদগী কছার পুলিসনা সিলচরদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম এগেনষ্ট ড্রগ কেম্পেন মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা অসাম পুলিসপু মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

নেভি ঃ ভারত নেভিগী মকোক এদমিরেল দিনেস কে. ত্রিপাথিনা হায়রি- লাক্লিবা চহি তরা অসিদা ভারত নেভিদা জহাজ অমসুং সবমেরিন ৯৬ হাপচিল্লগনি। মহাকা হায়- হৌজিক জহাজ ৬২ অমসুং সবমেরিন অমা শারি। মথং চহি ফাওবদা থা খুদিংগী জহাজ অমমম নেভিদা হাপচিনগনি।

এক্সরসাইজ ঃ ভারত অমসুং মালেসিয়াগী অপুনবা মিলিটরি এক্সরসাইজ- হরিমাউ শক্তি ঙসিদগী মালেসিয়াগী বেনতোং কেম্পতা হৌখ্রে। এক্সরসাইজ অসিদা মহা রেজিমেন্টকী পার্সোনেল ৭৮ না ভারত কন্টিঞ্জেন্ট ওইনা শরুক য়ারি।

য়ুপিআইঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রালয়না হায়রি-য়ুনিফাইট পেমেন্টস ইন্টরফেস(য়ু.পি.আই)না চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা শেলগী ত্রানজেক্সন বিলিয়ন ১৬.৫৮ রোম তৌদুনা থা অমদা ত্রানজেক্সনগী প্রোসেস খ্বাইদগী য়ামা তৌবগী অনৌবা পন্দুপ অমা য়ৌবা ঙম্লে। ওক্তোবর থাদা য়ু.পি.আইনা শেলগী ত্রানজেক্সন বিলিয়ন ১৬.৫৮ তৌদুনা লূপা কোতি লাখ ২৩ লিশিং ৪৯ রোম প্রোসেস তৌখি। মসি মমাং চহীগী ওক্তোবর থাগা য়েংনবদা চহীগী ওইবা গ্রোথতা চাদা ৪৫ য়ৌরবনি।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়-য়ু.পি.আই অসি ২০১৬দা নেসনেল পেমেন্টস কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়ানা হৌদোকখিবনি। মসিনা মোবাইল এপ্লিকেসন

অমখক্তদা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগী একাউন্টশিং পুন্সিন্দুনা লৈবাক অসিগী পেমেন্ট ইকোসিস্তেমদা চাওনা অহোংবা পুরকপা ঙম্লে।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ফুটবোল ঃ ২১ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা পুন্না শিন্দুনা লেট সিপোই চরা নিকোলাজ মোয়োন(ফর্ষ্ট নাগা রেজিমেন্ট) মেমোরিয়েল ফুটবোল কপ ঙসি চন্দেল জিলাগী জিয়োন তলাম ভিলেজ শান্নবুংদা হৌখ্রে। টুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ৭ ফাওবা চত্থগনি। মসিদা জিলা অসিগী ক্লব ২০ হেনবনা শরুক য়ারি। ঙসি হৌদোকপগী শান্নবদা চন্দেল পুলিস এফ.সিনা রিন্দমখু এস.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

রেফ্রি ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কল্যানি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা প্রোজেক্ট ফ্যুচর ইন্দিয়া সেলেক্সন ত্রাইয়েল বেটচ ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপী রেফ্রি মরি খল্লকখ্রে। মখোয়শিং অদুদি- চিংখাম বিমোলবালা, তখেল্লম্বম দিয়া, গোলমৈ অবেম কবুইনি অমসুং বচোনলা মাংকুংনি।

হোক্কীঃ ওমানগী মস্কেটতা চত্থরিবা হোক্কী মেন্স জ্নিয়র এসিয়া কপকী সেমি ফাইনেলদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ভারতকা মালেসিয়াগা হয়েং শান্নরগনি। ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা কোরিয়াবু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইদুনা পুল এ গী মকোক্তা লৈদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

গোল্ফঃ মেঘালয়দা গভর্ণরস গোল্ফ ক্লব গোল্ফ টুর্নামেন্ট ২০২৪ ঙরাং শিল্লোংগী গোল্ফ লিঙ্কসতা লোয়শিনখ্রে। টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুরদগী য়াওনা শান্নরোই ১০২ না শরুক য়াখি।

------